## মুজিবুর রহমন হাৎপদা চেন্নবা এক্স-আর্মি ওফিসর হেঙ তৌখ্রে



ধকা, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
বাংলাদেশ হৌদোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা লৈবাক অসিগী অহানবা প্রসিদেন্ট সৈখ মুজিবুর রহমনবু হাৎখিবা কুমজা ১৯৭৫গী কূদা চাওনা চেন্নখিবা লৈবাক অসিগী হান্নগী মিলিটরি কেপ্টেন অমা থৌদোক অদু থোকখিবা চহী ৪৫ রোম কান্নরবা মতুং নোংমাইজিং নুমিত্তা বাংলাশেদকী ওথোরিটিশিংনা থৌরী য়াল্লগা হাৎখ্রে।

বি দি ন্যুজ ২৪গী রিপোর্ট মতুং ইন্না অব্দুল মজেদ কৌবা হান্নগী মিলিটরি কেপ্টেন অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী লোকেল মতমদা নুংমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ১ চৎপা মতমদা কেরানিগঞ্জসতা লৈবা ধকা সেন্ট্রেল জেলদা থৌরী য়াল্লগা হাৎখি মহাক লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ধকাদা ফাখিবনি।

## সাউদি অরাবিয়াগী নিংথৌ সলমাননা কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী কর্ফিয়ু মতম কক্তনা শাংদোকহনখ্রে




রিয়াদ, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
অনৌবা কোরোনাভাইরস শন্দারকপা থিংননবা সাউদি অরাবিয়া শীন-থুংনা থল্লিবা কার্ফিয়ু লৈবাক অসিগী নিংথৌ সলমাননা মখা তাবা নোটিস থোক্লিফাওবা মতম কক্তনা শাংদোকহনখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

কিংদম অসিদা হৌখিবা নুমিৎ ৪নি অসি নুমিৎ খুদিংগী ওইনা অনৌবা ইনফেক্সন ৩০০ হেন্না রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা নিংথৌনা মতম কক্তনা কার্ফিয়ু শাংদোকপগী ৱারেপ অসি লৌখিবনি। হৌখিবা চয়োলদা সাউদি অরাবিয়ানা কেপিটেল রিয়াদ অমসুং অতৈ অচৌবা সিটিশিং পুং ২৪গী কার্ফিয়ুগী মখাদা লৈহন্দুনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থেংননবা মীয়াম্বু লোকদাওনগী ফিভম মায়োক্লহনখি। লৈবাক অসিগী মফম খরদনা মার্চ ২৩ দগী হৌখিবা কার্ফিয়ু অদু নুংথিল পুং ৩ দগী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা চৎনহনখি।

মীওই মিলিয়ন ৩০ লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবা ইনফেক্সন ৪,০৩৩ রেকোর্দ তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীওই ৫২ লাইচৎ অসিদা শিখ্রে। মশিং অসি গল্ফগী অরাব ষ্টেট তরুক্কী মনুংদা খ্বাইদগী ৱাংবা ওইরি। লায়না শন্দোরকপা থিংনবা অকনবা চেকশিন-থৌরাং কয়া লৌখৎপা লৈদুনসু লমদম অসিগী কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন মশিং ১৩,২০০ তগী হেনখিবগা লোয়ননা অশিবা মশিংনা ৮৮ য়ৌখ্রে।

কিংদম অসিদা ইন্টরনেসনল ফ্লাইট পুম্নমক থিংজিনখিবগা লোয়ননা চহী চুপ্পা চথগদবা উমরা লাইফম কোয়বসু লেপহনখ্রে। মীয়াম তিনবা মফমশিংসু থিংজিনখ্রে। গল্ফকী অতৈ ষ্টেটশিংনসু মান্নবা চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনখ্রবনি। সাউদি অরাবিয়াগী লমদম ১৩ দা লৌখৎলিবা চেকশিন-থৌরাং পুম্নমক মখা তানা চৎনখিগনি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

সাউদি অরাবিয়াগী অহানবা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং রিপোর্ট তৌখিবা নোংপোক থংবা লমদম কটিফ হৌখিবা মার্চ ৮ দগী সীল্ড তৌশিনখ্রবনি। ইরানদগী হল্লকখিবা সিয়াইট মুস্লিম লাইফম কোয়বা মীওইশিংগী মরক্তা অহানবা কোরোনাভাইরসকী কেসশিং অদু দিটেক্ট তৌখিবনি।

## অনীশুবা কোরোনা লাইচৎ থিংবদা মতেং ওইনবা য়ু কেনা পাউন্দ মিলিয়ন ২০০ কী তেংবাং লাউথোকখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
হকশেলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শোনবা লৈবাকশিংদা কোরোনাভাইরস শন্দারকপগী চাং তপথহনবদা মতেং ওইনবা অমসুং অনীশুবা লাইচৎ অমা থিংবদসু মতেং ওইনবগীদমক্তা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু এচ ও) অমসুং চেরিটিশিংদা পাউন্দ মিলিয়ন ২০০ (দোলর মিলিয়ন ২৪৮)গী তেংবাং পীরগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা বৃটেন্না লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী টেলি অমগী মতুং ইন্না মালেম পুম্বগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা নোভেল কোরোনাভাইরসনা শোকহনবা মী মশিং মিলিয়ন ১.৬ হেনখিবগা লোয়ননা ভাইরস অসিনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিংনা ১০০,০০০ হেনখ্রে। হৌখিবা চহীগী দিসেম্বরদা চাইনাদা অহানবা কেসশিং আইদেন্টিফাইদ তৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক ২১০ দা ভাইরস অসিনা শোকহল্লে।

বৃটিশ এইদ মিনিষ্টর এন্নি-মেরি ট্রেভেলিয়ননা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক মালেমগী খ্বাইদগী লায়রবা লৈবাকশিংদা মতেং পাংবা অসিনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা কোরোনাভাইরস অমুক হল্লকপা থিংবদা শোয়দনা মতেং ওইরগনি। হৌজিক ফাওবদা বৃটেনদা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং ১০,০০০ রোম শুরে। মসি মালেমগী ওইনা নেসনলগী মশিংদা ৫ শুবা খ্বাইদগী ৱাংবনি।

## অফঘান গভর্নমেন্টনা টালিবান প্রিজনরশিংগী ৩শুবা গ্রুপ থাদোক্লগনি



কাবুল, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
অফঘান গভর্নমেন্টনা টালিবান প্রিজনর ১০০গী অহুমশুবা গ্রুপ থাদোক্লবা শেম-শারি হায়না নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন জৱেদ ফাইসালনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্লা করম্বা মতমদা প্রিজনরশিংদু থাদোক্কদগে হায়বগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে। গভর্নমেন্টনা এপ্রিল ৮ দা অহানবা বেচকী প্রিজনর ১০০ থাদোকপা হৌরবা মতুং মথংগী নুমিত্তনা অতোপ্পা ইনমেট ১০০ অমসু থাদোকখিবা মতুংদা থাংজ নুমিত্তা ফাইসালনা ইনৌ নৌবা প্রিজনরশিং থাদোকপগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মমাংদা গভর্নমেন্টনা পিছ প্রোসেস খুমাঙ চাওশিন্নবগীমক্তা টালিবান প্রিজনর ১,৫০০ থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি। টালিবানবু নিগোসিএসন হৌবা য়ানবা পুক্লিং থৌগৎনবা হোৎনবদা লৈবাক্কী লোগী মখাদা ঐখোয়না পায়খত্তবা থৌরাং অমত্তা লৈত্রে। নাকল অনীমক্লা পিছ প্রোসেস অসি খুমাঙ চাওশিন্নবা কন্না হোৎনগদবনি হায়না ষ্টেট মিনিষ্ট্রি ফোর পিছ এফ্যেরসকী স্পোক্সপর্সন নাজিয়া অলৱারিনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৯ দা কটরগী কেপিটেল দোহাদা খুৎয়েক পীনখিবা য়ু এস-টালিবাল পিছ এগ্রীমেন্টতা য়ুম্ফম ওইরগা অফঘান গভর্নমেন্টনা ইনমেট ৫০০০ থাদোকপগা লোয়ননা মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবা প্রিজনর ১০০০ থাদোক্তুনা অফঘান মশেলগী ওইবা নিগোসিএসন হৌগদবনি।

ইরাই নুমিত্তা মশক মমিং ফোঙদোক্তবা প্রিজনর কয়া অফঘান গভর্নমেন্টনা থাদোরক্লে হায়না টালিবালগী স্পোক্সমেন জাবিহুলাহ মুজাহিদনা ফোঙদোকখি। প্রিজনরশিং থাদোরক্লিবদু মখোয়গী দেলিগেসন অমা গভর্নমেন্ট টিমগা ৱারী শানবদা রিজল্ট অমত্তা ফংদনা কাবুল থাদোক্তুনা চৎখিবা মতুংদনি। পিছ প্রোসেসতা শরুক য়াগদবা লুচিংবশিং লেপথোক্লবগীদমক্তা হায় কাউন্সিল ওফ পিছ এন্দ রিকোন্সিলিএসন শেল্লগনি হায়না হন্দক্তা প্রসিদেন্সিএল পেলেসনা লাউথোকখ্রবনি। ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এস অমসুং নাটো ফোর্সেসকী কম্মান্দর জেনরেল ওষ্টিন এস মিলরনা দোহাদা টালিবানগী লুচিংবশিংগা উনদুনা পিছ প্রোসেসকী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

## য়ু এস এয়রক্রাফট করিয়রদা কোভিদ-১৯ কেস ৫৫০ য়ৌরে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
ন্যুক্লিয়র-পৱারদ অমেরিকান এয়রক্রাফট করিয়র য়ু এস এস থিয়োদোর রুজভেল্টতা হৌজিক ফাওবদা দিটেক্ট তৌরিবা কোভিদ-১৯গী কেস অসি ৫৫০ য়ৌরে হায়না য়ু এস নেভিনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অপদেট অমদা নেভিনা হায়খি, করিয়র অসিগী ক্রু মেম্বর চাদা ৯২ কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌরে অমসুং মীওই ৫৫০ পোজিটিভ ওইরম্বগা লোয়ননা ৩,৬৭৩ না নেগেটিভ ওইরম্লে। হিরোয় ৩,৬৯৬ এয়রক্রাফট অসিদগী পুথোরক্লে হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

জহাজ অসিগী হিরোয় খরদমক চাংয়েংদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদা জহাজ অসিগী কেপ্টেন ব্রেট ক্রোজিয়রনা চেকশিনৱা ফোঙদোকখিবা মতুং চয়োল অনী কান্নরগা দেতা অসি লাকখিবনি। ৱার্নিং অসি পীখিবদা মতমদুগী য়ু এস নেভিগী এক্তিং সেক্রেটরি থোমাস মোদলিনা ক্রোজিয়রগী কম্মান্দগী ফম লৌথোকখি। মতুং তারকপসু মোদলি মশামকসু মফম থাদোকখিবনি।

সেক্রেটরি ওফ দিফেন্স মার্ক ইস্পরনা ক্রোজিয়রবু অমুক হন্না মফম হঞ্জিনহনবগী ৱাফম খন্নবা লৈ হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন মপুং ফাদ্রিফাওবদি ৱারেপ



লৌখিরোই হায়খি। মহাক্লা মখা তারদুনা হীরম অসিগী মতাংদা কম্মান্দ চেনগী মোটশিং লৌবা পান্বী হায়নসু ফোঙদোকখি।

থাংজ নুমিৎকী অপদেটকী মতুং ইন্না য়ু এস নেভিগী মায়কৈদগী কোরোনাভাইরস কেস ৯৪৫ রিপোর্ট তৌখিবগা লোয়ননা নেভি মনুংগী ওইনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই ৪ শিখ্রে। চৈরকসিদা মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবগী রেকোর্দতা য়ু এসনা ইটালিদগী হেনখ্রে।

জোন্স হোপকিন্স য়ুনিভর্সিটিনা কমপাইল তৌবা দেতাগী মতুং ইন্না নোংমাজিং নুমিৎকী অথেংবা ফাওবদা য়ু এসতা শিখিবা মী মশিং ২০,৬০৪ য়ৌখ্রে। কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং ৫২৯,৮৮৭ গা লোয়ননা লৈবাক অসিনা ইনফেক্সন মশিং খ্বাইদগী য়াম্বসু ওইরি।

## করিগী ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিং হোন্দোক্লিবনো হায়না কোংগ্রেসনা হংখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা পন্দুনা লৈবা মপানগী মহৈরোয়শিংবু এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটশিংদা মখোয়গী ময়ুম লৈবাকশিংদা থিনবগী থবক্তিক পাঙথোক্লগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংবুদি করিগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা হোন্দাক্লিবনো হায়না কোংগ্রেসনা সেন্টর গভর্নমেন্টতা হংখ্রে। পার্টি অসিনা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টপু তুমদুনা লৈথোকপগী ফিভমদা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিং হোন্দোকপগী মতাংদা মহৈরোয়শিং অদুগী থৱায় ৱানরবা অহল-লমনশিংনা হংলিবা ৱাহংশিংগী মতাংদা চপ চাবা পাউখুম পীদবগী থৌওং করিনো হায়না কোংগ্রেসকী স্পোক্সপর্সন জাইবির সের্গিলনা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস (এম ঈ এ)দা হংখ্রে।

বি জে পি গভর্নমেন্ট অসি ফোরেনরশিংগী ওইনদি মশা খিংনা থবক তৌই অদুগা মালেমগী ক্রাইসিসকী মতম অসিদা মপান্দা তৌফম খঙদনা পন্দুনা লৈনরিবা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংগী ওইনদি কন্না তুমদুনা লৈবগী মওংদা চথে হায়না মহাক্লা গভর্নমেন্টপু মরাল শীখি।

ইন্দিয়ানা ফোরেনর ২০,০০০ হেন্না এয়র ইন্দিয়াগী ফ্লাইটশিংদা লৈবাক অসিদগী মখোয়গী মরৈবাকশিংদা থিন্দোকপিখ্রগা করিগীদমক্তা বি জে পি গভর্নমেন্টনা মপান্দা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংবুনা মরৈবাক্তা পুরক্লবা হোৎনদ্রিবনো হায়না সের্গিলনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা ইন্দিয়ন মহৈরোয়শিংগী মশিং পীরদুনা হায়খি মদুদি, য়ু এসতা হৌজিক তোঙান-তোঙানবা কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিনচিংবদা মিং চল্লবা ইন্দিয়ন মহৈরোয় ২,০২,০০০ লৈ অমসুং য়ু কেদনা মার্চ ১৮ ফাওবদা হিথ্রো এয়রপোর্টতা মহৈরোয় ৩০০ পন্দুনা লৈখিবনি।

## গুজরাটকী অনৌবা মফমশিংদসু কোভিদ-১৯গী কেসশিং থেংনরে



গান্ধিনগর, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
গুজরাটতা নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্তা কোভিদ-১৯গী অহেনবা পোজিটিভ কেস ২৫ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী কোরোনাভাইরস কেস মশিং ৪৯৩ শুরে হায়না হেল্থ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই অমা শিখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অসি ফাওবদা গুজরাটতা কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা শিখিবা মী মশিং ২৩ শুখ্রে। ষ্টেট হেল্থ ওথোরিটিশিংনা অকক্লবা মফমশিং নৎত্রগা হোটস্পোটশিংদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লাকশিল্লে হায়না ক্লেম তৌজরবসু ভাইরস অসি অহমদবাদকী অনৌবা মফমশিং অমদি গুজরাটকী অতৈ মফমশিংদসু শন্দোরক্লি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা হেল্থ ওথোরিটিশিংনা দিটেক্ট তৌখিবা অহেনবা পোজিটিভ কেস ২৫গী মনুংদা ২৩ দি অহমদবাদতা থেংনখি। কেস ২না অনন্দদা থেংনখি। হান্না হোটস্পোটশিংনি হায়না মার্ক তৌখিদবা অহমদবাদকী বেহরনপুরা, ঘোদাসার, রনিপ, মনিনগরগুম্বা মফমশিংদসু অনৌবা কেস কয়া থেংনখি। মমাংদসু অহমদাবাদকী অতোপ্পা মফম খরদা লায়না অসি দিটেক্ট তৌখ্রবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মশাগী চহী ৭৫ শুরবা ঘোদাসারদগী অহমদবাদকী নুপা অমা শিখি। মহাক অহমদবাদগী এন জি হোস্পিটালদা এদমিট তৌখিবা মতুংদা শিখিবনি। মঙোন্দা হান্না হায়পরটেসনগুম্বা লায়না খরা চেনখি হায়রি।

অনৌবা কেসশিং অসি থারগা গুজরাটকী কোরোনাভাইরসকী অপুনবা পোজিটিভ কেস মশিং হৌজিক ৪৯৩ শুরে অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মী মশিংনা ২৩ শুরে। ষ্টেট অসিগী ওইনা অহমদবাদনা পোজিটিভ কেস মশিং ২৬৬কা লোয়ননা ইনফেক্সন খ্বাইদগী ৱাংবা মফম ওইরি।

## লোকদাওন মরক্তা পুলিস ভান মনুংদা নুপী অমা অঙাং উনখ্রে




জম্মু, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
উত্তর প্রদেশকী ভহরাইচ দিষ্ট্রিক্টতগী লাক্লগা জম্মুদা লৈবা মশাগী চহী ৩২ শুরবা নুপী অমা জম্মুগী হোস্পিটাল অমা তম্না পুলিস ভান অমদা পুরিঙৈদা অঙাং নুপী অমা উনখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক্লা জম্মুগী চানি হিমট কৌবা মফম অমদা লৈবা সোনিয়া দেবী কৌবী নুপী অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাই পুং ২ রোম তারকপদা মশাদা লেবর পেইন ফাওরকপদগী মাইগ্রেন্ট শিন্মী অমা ওইরিবা মহাক্কী মপুরোইবা রাজকুমারনা পুলিস কন্ট্রোল রুম (পি সী আর)দা দিষ্ট্রেস কোল তৌরক্তুনা পুলিসকী মতেং নীরকখি।

পি সী আরনা খুদক্তা পাউ অদু মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা পীখিবগা লোয়ননা নুপী অদুবু এস এম জি এস হোস্পিটালদা পুননবা ভান অমা থাজিনখি। অদুমওইনমক নুপী অদু হোস্পিটালদা পুরিঙৈগী লমখাংদা অঙাং নুপী অমা উনখি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

ওফিসল অসিগী মতুং ইন্না নুপী অদু ফার্ষ্ট এইদ পীরবা মতুংদা ময়ুমদা থিনবিখি। অঙাং মমা অমসুং অঙাং অনীমক নুংশাথিনিংঙাই ওইখিদে হায়রি।

চৈরকসিদা, উত্তর প্রদেশকী কানপুরগী মৱাই ভচন খুঙ্গংদা নোংমাইজিং নুমিত্তা মীওই অনী হূ চেল্লবা য়ু থক্লুবদগী শিরে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অতৈ মীওই ৬সু হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নবগী থবক চথুরি। থৌদোক অদুগী মতুংদা পুলিসনা মফম অদুদা এলার্ট ইশ্যু তৌবগা লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন হৌখ্রে হায়রি।

কানপুরগী এস এস পি অন্দন দেব টিৱারিনা ফোঙদোকখিবদা, সাজেতি পুলিস ষ্টেসন এরিয়াগী মনুং চনবা মৱাই ভচন খুঙ্গংদা হূ চেল্লবা য়ু থকচিল্লুবদগী মীওই অনী শিখিবগা লোয়ননা অতৈ তরুক্লা কানপুরগী হোস্পিটাল অমদা লায়েংবগী থবক চথুরি। হোস্পিটালাইজ তৌরিবা মীওইশিং অদুগী ফিভমদি নুংশা থিনিংঙাই ওইদ্রে হায়রি।

## জমাটি ১৭ জেলদা থাজিনখ্রে, অঙাং ৫ তুরেলদা লংথখ্রে

বেহরাইচ, এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) :
জমাটি ১৭ নোংমাইজিং নুমিত্তা মখোয়গী ক্বারন্টিন মতম লোইরবা মতুংদা জেলদা থাজিনখ্রে হায়রি। ক্বারন্টিনগী মতম লোইখিবগা মখোয় মজিষ্ট্রেটকী মমাংদা পুথোকখিবগা লোয়ননা জেলদা থাজিনখিবনি। জমাটিশিং অসি ভিজা অমসুং পাসপোটকী নোর্মস থুগায়বগী মরালদা জেলদা থাজিনখিবনি। মখোয় ইন্দোনেসিয়া অমসুং থাইলেন্দদগীনি হায়রি।

গভর্নমেন্ট স্পোক্সমেনগী মতুং ইন্না পুলিসনা তাজ অমসুং কুরাইস মোস্কশিংদা লৈরম্বা মপানগী মীওই ১৭ য়াওনা জমাটি ২৯ ফাগৎখি। মখোয় মার্চ ৩১ ফাওবা ক্বারন্টিন তৌখি হায়রি। মখোয়গী টেষ্ট সেম্পলশিংনা মখোয় কোরোনা নেগেটিভ ওইরে হায়বসি উৎখি।

মখোয়গী মায়োক্তা আই পি সীগী মরী লৈনবা তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিং, এপিদেমিক দিজিজেজ এক্টকী তোঙান-তোঙানবা সেক্সনশিং অমদি পাসপোট এক্টকী সেক্সন খরগী মখাদা এফ আই আরশিং রেজিষ্টর তৌখি। মোস্কতা মখোয় লৈরে হায়বগী অরোনবা পাউ ফংলবা মতুংদা পুলিসনা মখোয়বু ফাখিবনি।

অমরোমদা, থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা




থৌদোক অমদা নোংমাইজিং নুমিত্তা উত্তর প্রদেশকী বদোহি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জে ঘানগিরাবাদতা নুপী অমনা লোকদাওননা মরম ওইদুনা থবক-ইনখাং শুদুনা শেল তানবা ঙমদবদগী পীজ-পীথক তৌবিবা ঙমদ্রবা মহাক্কী মচা ৫ গঙ্গা তুরেলদা থাদখ্রে হায়রি।

পুলিসনা পাউ অদু হেক তাবগা সিনিয়র পুলিস ওফিসলশিং মফম অদুদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা দাইভরশিংনা অঙাংশিং অদুবু থিবগী থবক কন্না চথুখি হায়রি। নুপী অদু ফাগৎখিবগা লোয়ননা পুলিস ওফিসলশিংনা মহাক ৱাখলগী লায়না চেনবা মীশক মাল্লি হায়না ফোঙদোকখি। মমাংদা নুপী অসিনা লোকদাওন্না মরম ওইদুনা মহাক অমদি মহাক্কী অঙাংশিং চাবা ফংদ্রে হায়না ফোঙদোক্লমখি হায়রি।